# রারী মচা

## পাওখুম

*ইমোজিৎ নিংঙোম্বম*

ইবোবিনা ঐখোয়গীদা লৈরক্লিবসি চহী ৬–৭ লোম শুরক্লে। মহাক ঐখোয়গী কনাসু নত্তে, গাড়ী থৌনবা থম্বা ইচম–চম্বা ড্রাইভর অমনি। থাপ্লবা খুঙ্গঙদগী থবক থিবা লাকপদা মখোয় বাবাগা থেংনদুনা পুরকখিবনি। অদুবু কমদৌননো 'কনাসু নত্তে' হায়বা ইচুম–চুম্বা রাফমসি তপ্ন–তপ্না মমি শাল্লকখি। মাগী লম্বী ঐখোয়না পিবমুক মাসু চঙলকই ঐখোয়গী পুন্সিদা। অরাবদা। নুঙাইবদা। হিরম খুদিংদা ইমুংসিগী মী অমগুম। হৌজিক্তি কনানসু মাবু অরাপ্পা খুঙ্গঙদগীনি নীংশিংনদ্রে। নীংশিংলবসু লম্লানবা ওইদ্রে। মসি ইচম–চম্বা মপু অমসুং মনাইগী মরীদু নত্তে। থম্মোয়গী তরু তরুবা মরী অমখক মসিদা লৈরি।

হৌখিবা চহীদনি মানা লুহোংখিবদু। ঐখোয়না লুহোংবিবনী হায়বা য়াই। অচঙবা শেল অয়াম্বা ঐখোয়না পুথোকপিখি। মশাগী খুঙ্গঙদা মশাগী য়ুম্ফমদা শাগৎলক্লিবা মাগী অনৌবা পুন্সিবু য়ায়ফ–মঙ্গোল পীরম্লগা পুক্লিং ইহাঙ হাঙনা হল্লকখি ঐখোয়। মহাক চৎখ্রবদদা খঙলকই, মহাক লৈরম্মি হায়বা। ইমুংগী মফম খুদিংদা মাগী খোঙ্গুল তারম্মি। ইমুংগী থবক খুদিংদা মাগী খুৎফম লৈরম্মি। মহাক্কী অহাঙবা মফমদু মেনশিনবদা রানা থোকখি।

অদুবু ইকুই–কুইদনা য়ুম্বাল পুন্সিদা খোইজংদবা মতৌ উৎলদুনা অমুক লাকখি, মাগী অহাঙবা মফমদু মেনশিনজবা ওইনা।

ঐনা হায়––"নখোয়নী লাকমিন্না য়াদ্রো?"

ইরায় লায়না খুমদোরকই –– "অহল–লমনগী সেবা তৌদুনা লৈজসনু।"

ঐ মখা তারুদ্রে। মখা তারুদবগী কান্নবদু ঐগী ইমুংতনা খঙঙি। নুমিদাংদু ঐনা মখোয় বাবাদা হায় ––"মানা লাক্লিবসিবু, লুহোংবফাও থা ফাদ্রি।"

খুল্লকই ––"অঙাং ওইরি তৌরিনি।"

পাউখুমদু পেন্দে। করিগুম্বা খরদি হায়নিংঙি। অদুবু হায়রুদ্রে। মখোয় নুপাগী রাখলদি মখোয় নুপাতনা খঙবনি।

কুইরবগী তুংদনি। নোংমা ইথা থাজদনা মখোয় বাবাদা হায়খিবদু তায় –– "সার, ঐ মতম খরা য়ুমদা চৎচরুগে।"

মখোয় বাবাদু খরা ঙকলপ থোকখিমাল্লে। হংখি ––"য়ুমদা হায়বা, করিগীনো? অনা অয়েক্কা য়াওরবরা?"

––"য়াওদে সার। চুম্না সুম ...।"

ঐনা ইমুংদগী থোরক্লগা হংঙি –– "নঙগীসিবু ইবোবি, নঙগীসু য়ুম অমা লৈজে খঙহল্লিব্রনে?"

মহাক খজিক্তং নোকখি। অদুবু মীনোক্তু মকা লামদে। মখোয় বাবানা হায়খি –– "ইবোবী, ঐ উখ্রুলদা ট্রান্সফার তারে। ঙসি নীনী হুমনিসিদা ঐ চৎলবা য়াই। য়ুমদা নঙ লৈহৌরি হায়বগীনি ঐনা চৎপা ঙমগদৌরিবসি। অদুবু নঙনা চৎতবা য়াদো হায়রগদি চৎলুচো।"

––"ঐবু রারৌবিনু সার। ট্রান্সফারগী রাফমদু ঐদি খঙজরুদ্রে। ঐ কোন্না চৎচরগে সার।"

ইমুংগী থবক পুম্বা ইবোবিদা শীন্নরম্লগা মখোয় বাবা উখ্রুলদা চৎখ্রে। তৌফম থোকপনি খঞ্জবা ইমুংগী থবক পুম্বা হায়নরুবা তৌদবা অদুম তৌরি ইবোবী। অঙাংশিং স্কুলদা থিল্লুগনি। লৌরুগনি। মতম নাইনা লাইরিক তাকপিগনি। কৈথেলদগী নোংমগী লৈফম থোকপা লৈরুগনি। হান্নগুম অদুম লৈরি। ইমুংগী ফিভম। অদুবু অরাৎপা অমদি লৈরি। চৎখিবা মানদা মেনখৎচগদবা অরাৎপা অমা। য়ুম্বানগী পুন্সিদা অহানবা ওইনা খঙলকই, নাইতোম তাবগী অচিকপা। অরাবা। পূক্লিংসি কয়াদা শোম্বুরিবা।

হঞ্জিন–হঞ্জিন য়েংলবা এলবমদু অমুকসু য়েংলুই। হৌখিবগা রারী শারুই। মতম অসিদা কনানো অমা ইমাঙদা লেপ্পরে। ইবোবিনি। মাগী মতৌদু করিনো অমা হায়নিংলগা হায়বা ঙমদবা মাল্লি।

ঐনা হংঙি –– "কৈদৌরে ইবোবি? করি হায়নিংঙি?" খজিক্তং লৈথোক্লগা শোম্বাংননা হায়রকই –– "ঐখোয়গী সারদুবু মরকসিদা থোক্লক্কদবগা লৈব্রো ইতৈমা?"

–– "লৈতে! ঙরাং টেলিফোন্দা থা ২–৩ সিদি থবক য়াম্না চিনবগী রারী তৌরকই। করি তৌরবগে?"

–– "চুম্না হংবনি। কৈসু তৌদে।"

–– "অঙাংশিংগী কালেন ছুতি মনুংদদি ঐখোয় পুন্না লাক্লবসু হায়রকই। নঙদি ঐখোয়বু থিল্লম্লগা নয়ুমদা চৎকেসু চৎলু। ঐ হায়নবিগে। কালেন ছুতি থারক্কদবা কুইরক্ত্রেদনা?"

–– "হোয় ইতৈমা।"

–– "নঙবু নশা ঙমদবরো ইবোবি?"

–– "কৈসু তৌদে।"

–– নশাদু য়াম্না হৈনিংদনদা উই। কৈদৌরবগে ইতৈমদা হায়য়ু। হন্দক মরকসি নঙ মহৌশাগা ইমান–মান্নদে।"

–– "কৈসু তৌদে হায়রগা ইতৈমসিমা।" অসি হায়রগা নোকমি–নোকমি ঐগী মীৎয়েংদগী লাপথোকখি।

ইথন্তা খলহৌই, মাগী য়ুমগী রাফম। ইথা–থাজদনা ময়ুমদা চৎনিংলকপগী মরম। চপ–চাবদুদি মানা হায়দবনিনা খঙদে। ঐখোয়নসু খঙনবা হোৎনরুদে। করিদি লৈরি, মহাক চৎখিবদা য়ুমসিদা ওইহৌগদবা ফিভমদুদি মাসু খঙজরিবনি।

ঐগী পীক্লবা ইমুংনি। ইপুরোইবা অমদি ইচাশিং ঐখোয় খরদংগী পীক্লবা সংসারনি। সংসার অসিদা অমুকসু ঐদি য়েংবগী থবক্তনি তৌরিবা। ইখোঙ ইখুৎ, পান্ন–পান্না করিমত্তসু পাঙথোক্লুবা ঙমদ্রবা। ঙমগনি হায়বগী থাজবসু লৈজদ্রবা। করম্না অসুক পাঙদবী অমা ওইখিবনো? করিগী অসুক শোম্বুখিবনো? খঙদে, মসিবু ইশানা য়ানা ওইজখিবরা।

নুমিৎতু নুংথিল তাল্লক্লি। পোষ্টমেন্না চিঠি অমখক পুরকই। উখ্রুলদগী লাকপনি খনখিবতা নত্তে, হাংদোক্তুনা হান্না পারুই। অদুগদি অরাপ্পা খুঙ্গঙদগী মাগী তামহৌরবীদুনা ইবোবিদা ইরকপা ওইরম্মি। অদুবু করিগীনো খঙদে, অমুক থুপচিল্লুদনা লোইবা ফাওবা পাথোক্লুই। মাদি অঙাংশিং স্কুলদগী লৌবা চৎখ্রি। মপুক্লিংদা লাকপশিংবু ইকোক–কোক্লা ইরকপনি। শেম–শাদুনা ইরকপা নত্তে। শোয়বদগী ককপা য়াম্না য়াওরি। ইরম্মি ––

"... মমাঙদা ইখিবা অদুসু ফংলমগনি খল্লি। করিগীনো তুমিন্না অদুম লৈথোক্লিবা? ঐ নঙোন্দা নুংশিবীয়ু হায়রোই। থৌজানবীয়ুসু হায়রোই। অদুবু ঐ নঙনা লুহোংদুনা লৌরবী নুপীনি। নঙগী পুন্সিদা তিল্লরবিনি। অদুগা নঙনসু ঐগী পুন্সি ওইরবনি। নঙোন্দা ঐগী দরকার লৈত্রবসু ঐদি নঙগী দরকার লৈ। নোংমদি চরা অনী খক্তগী পুন্সিদু নত্তে, ঐনা পাম্বদি। নঙ লাকউ। শেম্বিরকপা মখোয়গী থৌজালদি পুন্সিসিমগী শিংবা ঙম্লোই। অদুবু মখোয়গীদমক নশাগী পুন্সিবু মীরাইজবদি করম্না লমন শিংবনি হায়গনি। মখোয়নসু য়ানিংলোই। করিগী অদুক শোম্বুরিবনো? ঐ নঙবু খৌরাংনা ঙাইহরি..."

মীৎ উইশিন্দুনা তুমিন্না লৈ ঐ। নাকোংসিদা নিন্দুনা লৈ, লৈসি–লৈথোল য়াওদ্রবা খুঙ্গঙ নীঙোলদুগী কল্লবা রাহৈশিংদু। নুপী অমগী থম্মোয় মপাউ অদু মীৎতা উরকই, মাগী শাউরবা মমীৎ অনী। অমুকসু উই, মোং–হাদনা মরু লুক্লা চৎলিবা ইবোবি।

অঙাংশিং হল্লক্লে। ঐদি অদুম ফল্লী ঐগী কাদা। চিঠিদুদি অমুক পীরগে খল্লুদনা চেৎনা থমজিল্লে। মহাক অঙাংশিংবু চারা রালহল্লম্লগা ঐগী কয়াদা চঙলকই।

হায়রকই –– "ইতৈমা, ঙল্লিঙৈদা কৈথেল চৎথোক্লুরগে। করি–করি লৈসিগে?"

–– "ঙসিদি কৈথেলদু ঐ চৎলগে ইবোবি। নঙ নয়ুম চৎচরুরো।" মহাক ইঙক–ঙক্লা ঐবু য়েংদুনা লৈ।

––"ঐবু কৈথেল কাবা ঙম্লোই, অঙাংশিং স্কুলদা থিনবা ঙম্লোই খল্লিরো? অদু ফাওবদি ঐসু ঙমনিদা!"

––"অদুগী নত্তে ইতৈমা। অঙাংশিংগী ছুতিসু থারক্কদবা কুইদ্রে। ইতৈমখোয় হান্না উখ্রুলদা থিল্লম্লগা ঐদি কোন্না য়ুমদা চৎলবসু য়াই। চৎত্রবসু কৈদৌই হায়বগে!"

––"চৎতবা য়াদে। ঐনা উখ্রুলদা চৎতবদি য়াই। নঙদি নয়ুমদা চৎতবা শুকয়া য়াদে। ঙসিমক চৎনবা তৌ।"

ঐগী অকনবা রারেপসিদা মহাক হেন্না তৌফম খঙদে। মশা খঙজদনা করিনো মরাল অমা লংজখ্রবশুম্মি।

ঐনা নোক্লগা হায় –– "চৎলুরো অদুগা অমুক লাকউ।"

ঐনা নোকপদু উবদা মাসু ভাব ইতা–তাদনা খজিক্তং নোক্লকই। অদুগা তপ্ন–তপ্না থোকখি। কাদুদা ইথন্তা অমুক লৈহৌই, য়াম্না চোকথনা অদুবু য়াম্না রাই শংনা। মীৎতা উরকই খুঙ্গঙ নীঙোলদুগী হরাউ–মীনোক। মপুরোইবগী পাম্বোম মরুমদা লৈরিবা মাগী মোমোন মীনোক।

# তাবুনুংদগী

*(কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী রারেংগী খোমজিনবা লাইরিক ''স্বর্গদা অরাবা অমসুং নুঙাইবা'' কৌবা লাইরিক অমা ১৯৯৯ দা ফোঙখি। লাইরিক অদুদা য়াওবা ''মরুভুমি'' কৌবা রারেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

## মরুভুমি

রাজস্থান! রাজস্থান হায়বদা থম্মোয়দা খোম্বাঙ অমা ফাওরকই –– মরুভুমি! রাজস্থান্দা থবক অমা চৎলু হায়বদা হরাওই। মরুভুমি লৈঙোই লমদম উট পরেং পরেং মঙদ–হাদা উই। ঈশিংগী অরাবা থেংনগদ্রা চানবা পোৎ নীংথিনা ফংলমলোইদ্রা মওন মওন খল্লি।

লম্বীদা মরুভুমিগী শকফম খজিক্তং উখি চপ চানা উখিদে। উদয়পুর সহর য়ৌবদদি মরুভুমিগী রাখল মাঙখ্রে। ফজরবা ফুরা দলান নীংথিনা শেম্লবা, পাক্লবা লম্বী ঈশিংগী পেরে, পার্ক, লমহাঙ, পাৎ, অশংবা লৈকোল, উমং, লাইব্রেরী, ক্লব, মিউজিয়ম, হোটেল, স্কুল, কলেজ, লাইশঙ। রাজস্থানগী খ্বাইদগী শাবা এপ্রিল মে থাদা হোটেলদা, হোষ্টেলদা মফম পূম্নমক্তা ঈশিং রাত্তে। পুং ২৪ ঈশিং ফংই মফম পূম্নমক্তা ইলেকত্রিক ফংই। লাইব্রেরীদা মরাঙ কায়না লাইরিক ফংই। মরুভুমিগী রাখল মাঙখ্রে।

ইম্ফাল য়ৌরকপদদি অরাবা হৌরে। ঈশিং তাদে, ইলেকত্রিক লাক্তে, লাইরিক ফংদে, লাইরিক হৈবা মীসু ইথেং থেংনদে, পোৎ–চৈসু নীংথিনা ফংদে। মরুভুমি হায়বদুদি অসিয়া হায়বদু য়ৌই।

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র**

# লাইরিকক্তা উন্নবা

## নঙগুম্বী লৈতে ইমাঃ পাউনম খোইবী (মেমচা)

পাউনম খোইবী (মেমচা) না ইবা 'নঙগুম্বী লৈতে ইমা' (২০১২) হায়বসি লামায় ১৭৩ পানবা মমলনা লুপা ১৬৯ পীবা উপন্যাস অমনি। উপন্যাস অসিদা হৌজিক্কী মণিপুরী সমাজদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা পুন্সি মরেল, রিভোলুসনরিগী ইরাং, মদুগা মরী শমজিন্নদুনা থোরক্লিবা কাউন্টর রিভোলুসন অমদি কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি, কনফ্লিক্ট সিচুয়েসন মরকসিদা হিংলিবা মীচম মীয়ামগী তম্বা ঙমদবা পুন্সি মরেল, অচুম অরান খংনরক্তবা, মতু শোনবশিংগী হিংফম সমাজসিদা লৈরক্তবা, অঙম–অঙম চানরকপা, মীহাৎপুং ওইরকপা, নুপী ওইবীগী ইকায়–খুম্নবা থম্বিরক্তবা, আইন লৈতবগুম শক্তি পায়রিবশিংনা তৌনিং–তৌনিংবতা তৌনরকপা, মী ফাবা, রেন্সম তানবা, হাত্তোকপিবা, মীনুংসি লৈনরক্তবা, হ্যুমেন ভেল্যু মাংখিবা অমদি মাদর লিগেসি অসিনচিংবশিংসি উপন্যাস অসিদা উবা ফংই। উপন্যাস অসিদা মালেম্না অঙাং ওইরিঙৈদা মমা মপানা লংথোকপীরম্মী। মনেনা মহাকপু রানা মহৈ–মশিং তমহন্নবা হোৎনজরম্মী অদুবু মহাকসু মনুং মতম চাদনা লৈখিদে। মনেগী প্রতি মুক্তি অদুদমক মহাক্লা কোন্দুনা লৈহৌরে। ইমোগী মফমদগী মালেমগী মরমদা তারুবদগী মচা পোকচদবা উকিল মতৈ–মনাও অথোই অমদি তরুবীনা মালেম্বু মচা শক্লা য়োকচনিংখি। মালেমগা লৈকাই অমত্তদা চাউমিন্নরকখিবা ফজবী, মখোয় অনিগী নুংশি রারী অমনা ঈরম তুখুল ইন্দুনা চেম্বুরি। থানিল থাজ মাল্লবী ফজবীগী মায়থোং থম্বালদা ঙাওজরিবা মালেম্নি। মালেম অথোই অমদি তরুবীনা মখোয়গী ময়ুমদা পুরগা মচা শক্লা য়োক্তুনা মহৈ–মশিং তমহল্লকপনা মখাদি দিল্লি–য়ুনিভসির্টিদা তমথনবা চৎখ্রে। ফজবীদি মমা পোক্তবীগা খুঙ্গংগী পুন্সিদা অদুমক হিংহৌই। লমদম অসিদা মনিংতম্বা মপু অনিনা সাসন তৌবগী মতৌ মান্বা, গনতন্ত্র লৈঙাক্কী মীয়ামগী মীহুৎকী সরকার অমদি নিংতম লান হৌরিবশিংগী সরকার অনিনা শামুগুম য়াথিন্নরকপদা মীয়াম্না অরাবা তাবা মতৌ উৎলি। লালহৌবা কাংবু অমনা ফজবী মমা মচাগী ময়ুমদা য়ুমথুংফম ওইশিল্লে। মদু মখোয় য়ানিংদ্রবসু উপায় লৈতে। মখোয়না মফমদুদগী চৎখ্রগা সেক্যুরিটি কাংবু অমা লাক্লগা লালহৌবশিংগী চঙজফম পী হায়দুনা ফজবীবু ফাদুনা মখোয়গী কষ্টডিদা থমজিন্বা, ইন্টরোগেসন তৌবগী মমিংদা করেম –কথাইনদুনা ওৎ–নৈবা চখখি। লৈশাবী অমা ফাজিল্লগা পুলিস কষ্টডিদা থমখিবগীদমক নুপী খুন্নাইনা হৌরক্তুনা পুলিস ষ্টেসন কোয়শিন্দুনা থম্বা, পুলিসনা মীয়ামদুবু শা–ষণগুম্না ফুদুনা তানখাইবা হৌজিক্কী মণিপুরী সমাজদা ফোঙ–ফোঙ শানা থোক্লিবা থৌদোকশিং ঙাক্তনি। অথোইনা জজ ওইবা কোর্টতা ফজবীবু পুথোরকপদা ফজবীবু ফাবা মতমদা লালহৌবা, খুৎশু–খুৎলায় নত্রগা চিংনবা য়াবা চে–চাং অমত্তা ফংদবনা মহাক মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোকপিরকখি। অহিং অমা পুলিস কষ্টডিদা লেল্লুরবীনি হায়দুনা সমাজনা ফজবীবু পাউথোকপিখি। মসি কনফ্লিক্ট সেচুয়েসন্দা হিংলিবা নুপী ওইবীগী দযাদুনি। অইবীনা লমদম অসিদা হৌরিবা নিংতম লালহৌ অসি মহৈ–মশিং নিংথিজনা তুম্লরবা মতুংদা থবক ফংদবগী ওইরকপনি, মসি সরকারগী থৌশিল শোয়বদগীনি হায়না ফোংদোকই। মালেম আই এ এস পাস তৌদুনা থোরক্লে। ফজবীদি মহাক্কী মীংচৎ থিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মালেমদগী নাথৈনবা হোৎনরকই। অদুবু মালেম্না 'ঐগীদি নহাক্লা পুম্নমক্লি হায়রদুনা ইলোপ তৌরে। তাল্লকসিদা ইবেতোম্বী কৌবী নুপী অমনা মালেমসি মহাক্কী মচানি হায়না ক্লেম তৌরকই। মচাদগী হেন্না লুনা খল্লবা মালেম্বু মাগী মখুত্তগী মূল্লকপদা লায়না ওইদুনা তরুবী লৈখিদে। উপন্যাসকারনা রারীগী প্লোট, কনফ্লিক্ট , পোল্লোই , রাইটিং প্লেস অমদি ক্রিটমেন্ট শেমগৎপদা চেকশিনবা রাৎলি। ড্রোপ থিওরি তোয়না শিজিন্নে। ইবেতোম্বীগী চরিত্র অমা সুপর ইমপোঙ তৌরম্লগা তরুবীনা লৈখিদ্রবা মতুংদদি তুমিন্না লৈশিনহনখি। প্লোটকী সিক্কেন্স ওফ ইন্সিদেন্স ঙাকপা ঙমদে। নেরেটিভতা ফর্স্ত পার্সনগা থার্দ পার্সনগা ইয়েৎ য়েৎশিন্নে। চেপ্তর খুদিংমক্তা মফম মতম পীদবনা এক্সনগী সিগ্নিফিকেন্স লৈহন্দে। টাইম, প্লেস অমদি এক্সনগী ওর্গানিক য়ুনিটি হায়বদি অপুন্বগী অহিংবা মতৌ লৈহনবা ঙমদে। ফিক্সন্দা রিটন অমদি কোল্লুকুএ ওইবা লোল মখল অনিমক শিজিন্নবদা হৈ–শিংবা রাৎলি। রারীগী পোল্লোয়দা 'তরুবীনা পামজরম্বা মতুং ইন্না অথোইনা মচা–মমৌগা লোয়ননা তরুবী পুক্লিং লৈকোল' হায়বা আশ্রম অমা লিংখৎলে, আশ্রম অদুবু ঙাক–শেন্বগী ভারনা ফজবীনা লৌহৌরে। উপন্যাস অসিদা সোসিয়েল রিয়েলিটি উৎপদগী ফিদম অমদি শাবী শানৌগী পুক্লিংগী ইথিল ইহুল উৎপদনা হেন্না মীৎয়েং থমই। ফ্লাসবেক, ফেন্টাসি অমদি ড্রিমনচিংবা টৈক্লিকশিংদি মহয় য়ান্না শিজিন্নে। নুপা নুপীগী ওইবা পুক্লিংগী ইরাং, মথুম–মরাং হৌবা লোইননা তিন্ননিংবা, কাউঙমদনা থম্মোয়নুংদা য়েরুদুনা থম্বা, কায়নবনা থম্মোয় লৈরাং ময়াক চমহনবা, থম্মোয়গী নিঙাই, মীওইবগী পুক্লিং রাখলগী মুরুবশিং ফনা নিংথিজনা হাপ্পা ঙম্মী। মসি মীওইবগী পুক্লিংগী দর্শন বু কুপ্পা নৈনবদগী থোরকপনি । উপন্যাসকারগী করেক্তরাইজেসনগী হৈ–শিংবা, দেস্কৃপসন্দা উশিনবা ঙম্বা অমদি রারী লীবা হৈবগী মগুন্না উপন্যাস অসিবু পাবা য়াবা উপন্যাস অমদি ওইহল্লি।

**–আর জে মীতৈ**

# শৈরেং

## নীংতম্বা পাম্লুবা ঐসে অহক চৈরাক ফংলেদো

*মৈহৌবম মনিচন্দ্রা সিংহ*

পূম্নমকপু খুদুম চল্লুরগে হায়না
ইনৌ নৌবা মফম অমদা
মীকূপ অমত্তা ইনীং তম্বা ফংখিদে
কদায়দগী নীংতম্বা কদায়দগী ইনীং তম্বা
খুদুম শীংখিবনি অদুনা ঙসিদি কদাই
পূম্নমক অরেম্বা ওইরেদো
ঙসিদি ঐগী পূন্সিসে
ঐ নঙগী চান্না চুন্না তিন্নরম্বা
অরেম্বা ওইরেদো ঙসিদি
অমম্বদগী মঙাল সংসারগী খোঞ্জেল
মীনম্বা ওইরেদো ঙসিদি
ইনীং তম্বা পঞ্জেং ফীরালদো
ইরাং শাগৎলুবা ঐতগী ইরাল ওইরেদো
খুদুম শীংদুনা চোংথোক্লুবা
ইমাগী তম্পাক্তা নীং তম্বগী লানজং
নীতি নিয়ম খঙদবা ঐসে
রারক চেৎপা মপুনা অশিবগী চৈথেং পীরকই
মসি ভার্ব তাহৌদবনা
কুশি রাশি তৌরুবা ঐসে
ফত্তবগী লানগে ওইরেদো
নীংতম্বগী ওঝা তাম্নহৌদবনা
মৈরিজ্ঞা মৈরাবীশুম শিজরেনে
খনবনা চপ মান্নরেদো
জয় নীংতম্বা জয় নীং তম্বা।।

ইথক ইরাংদা লৈঙাক জগোয় শারি
ঙসিগী লমদমসিগী লৈঙাক মপুশিং
মীরম থরায়শিংগী নুংঙাই য়াইফনবা
ওইদবা কয়াবু অচুম্বনি পাংলিবনি
নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে
মীরান থরায়শিংগী শৈরেং নাচোম
ঙসিসু হোমলেঙ দিমাঙ লোইদরি।
থিংবিনবা লৈত্রবা মখোয়গী ডিমাঙশিং
চেনশিল্লক্লি নাগা পীছ একোর্ড
থৌনা ফরবা মন্ত্রিশিং ওফিসারশিং
ঙসিসু চিন্দ কাংজে শান্নরি
মতমনা কনাবুসু ঙাইদুনা লৈতে
ঐখোয় মশেল লম্বা তৌনরিঙৈ
মীতোপশিংনা ইম্ফাল সহর পায়খরে
হরাও কুম্মৈ মশীং য়ামহন্দুনা
শেম্বা লমজেল য়াংবা তান্নরিঙৈ
মীয়ানশিংনা খুৎ অনীবু থাংদোরক্লে।।

## চফু কায়রে ক্লাকশিং হরাওরে

*লাইরেঞ্জম মনি মীতৈ*

লমদমসিগী শকহেনবা মন্ত্রিশিং ওফিসারশিং
মণিপুর কনগে থোক্লকখিবা নত্তেদো
শেন্দোং তানবা লাকখিবা মন্ত্রিশিংনি
অচায়ম ফনবগী ওফিসার ওইরিবনি
রানোম শরেংগী মহাওদা ঙাওজবনি
বন্দ ল্লোকেদ লেপ্পা নাইদে
ইজ্জৎ মাংহল্লবগী পাউ লোইদে

## অমগী তাইবঙ

*সনসম বীরেন্দ্র সিংহ*

লম্বী অমা ফংবদা
পম্বুং অমা য়ৌই।
খোঙকাপ অমদগী হৌরগা
খোঙচৎ অমা চৎলি।
রাখল অমা খম্বরগা
রারোইশিন অমা পুরক্লি।
খোঙথাং অমা শোয়বদা
লৈখা তারি পুন্সিনা।
লৈরাং অমগী লৈনম্না
থম্মোয় কয়া হাক্কি।
মচা অমগী হাক্তজা
চংনা সর্গ কানরি।
নুমিৎ অমগী মঙালনা
তাইবঙ পুম্বা ঙালহল্লি।
খামজিনবা অমা য়াওবদা
খৎনগদবা কয়া তোক্লরি।
ফজবা রাহৈ অমনা
খোইশাওনবা থম্মোয়দু ইংহল্লি।
অকনবা খোনফম অমনা
পুন্সিগী মরী কক্লরি।
অথৌবা থাং অমনা
থরায় কয়া মাংহল্লি।
কোলোই অমা থোন্দুনা
তাইবঙ কুম্মৈ য়াওররি।
শিম্বা অমা পাঙদুনা
মশেক–মঙাল উৎনরি।
তাইবঙদা অমুক্তং লাকপদা
থরায় অমখক পুরক্লি।
মপু অমদা চংজদুনা
তাইবঙ ঈপাক লান্নরি।

## লোক্তাক্কী পি

*–কামিনিকুমার–*

তাদ্রবা মীচিক মীরাওখোল
থেংলবা অহিংদা
কপ্লি লোক্তাক্লা
থম্মোয় শোক্লবা খোঞ্জেলদা
হংলক্লি রাহং অমা
টুয়েল্ফ পারসেন্টগীদমক
ঐহাকপু তপ্না–তপ্না
লেপহনদৌরব্রা শোর হোনবা?
ফংদ্রি পাউখুম হৌজিক ফাওবা
পীবা ঙমগদৌরি কনানা?
লৌজরম্বা পুন্সিগী তাংজফম
ঐগী ইফমদা
থদৎপীরে মখোয়গী হিংনবগী লম্বেল
ওইহল্লে চাক্লি–ফিনিবা
ওইহল্লে মমল য়াওদ্রবা পুন্সি।
মশীং থীনবা
রাপাল মরক্কী ককচেং
পায়খৎলি মৈ পুমঙালগী থৌশিল
ডাল্লে মৈ টুয়েল্ফ পারসেন্টগী
ঙমদ্রে ককচেং মশীং থীবা
থীংজিল্লে হৈক্রেক হেকপা
চঙহল্লে ঙা ফাবা
লাক্কনু হায়রে
পিরিক নিংতম্না
ওইরনু হায়রে
নুংশি রাইথুনফম।
য়োক্লে বোরা উচি
ককচেং কোকচাউবী
হোম্দোকহল্লে অথেংবা অহিংদা
সনা খাঙলেন, মণি-মুক্তা
লোক্তাক ঐগোম্দগী।
লোক্তাক্কী পি
তপ-তপ তারি
খকউ য়াদ্রেনে মতোমতা
তাখিনি পি
পৈরিবা কোকশিং
চুমথোক্ত্রি ফাওবা।

## মণিপুর

*কান্তা মৈরালাকপম*

চীংনা কোইশিনবা
লোক্তাক্লা মিংশেল ওইবা
উমং রামং লৈবা
হে মণিপুর।

য়েংবদা ফজে
জাতি কয়ানা
খুন্দারি তম চীংদা
অমতা ওইনা।
থৌদোক রাথোক্লা
নোংমতা কাংদনা
থোক্লি লৈরি
পীকখ্রবা মণিপুরদা।

খরনা পৈশা পায়রি
খরনা লাইরবা ওইরি
থৌদোক রাথোক্লা
মহৌশাগী শক্তম থুগাইরি।

## নীংশিংজবা অমা

হৌখিবা নোংমাইজিং জনুৱারী ২৪, ২০১৬ চেফোঙসিগী সাহিত্যগী লমায়দা য়াওখিবা লাইরিক্কা উন্নবা হায়বদুগী অইবা আর জে মীতৈ হায়না থাগদবনি। অইবগী মিং হাপহৌদবা অদুগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

## মমশিনখ্রবা মীৎলম

*–থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ–*

য়ুমশিংনা তেংথা নাওইরি পাঙ্গল য়াওদনা
চপ চপ লেপ্প্রি উপাল রাপাল
হীকথরদুনা,
করিগুম্বদা হাই হুন্নি চন্দুৱা ওইনা।
হল্লকপা লৈত্রবা মচাশিং
ঙাইরি কোম্বোংদা
থোঙজিন্দা
মমশিনখ্রবা মীৎলম্না
মৈনমগী মঙালদা
আশাগী মঙলান্দা।
মঙলানশিংনা চৎখি অমম্বদা
হল্লকপা নাইদ্রবা আশাদা।
য়ুমশিংনা শমজিন্নখ্রি উপাল রাপালশিংগা
অদুগা অতিয়াগা,
মঙলানশিংনা শেমখ্রি লম্বী অমা
অদুগা অতিয়াদা।